**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 30-03-2024)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ৩০-০৩-২০২৪, থাংজা)**

--**সিগনেচর ট্যুন**--

**---অকাশবানি ইম্ফাল নিংথৌখোঙজম সুনি না পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) **মনিপুরগী ১৮** শুবা লোক সভা মীখলগী ইন্নর অমসুং আউতর লোক সভা সিটকীদমক মীরেপচে লৌথোকপগী মতম ঙসি লোইরগনি।

২) অসাম সরকারনা রাজ্য অদুগী জিলা মরিদা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পাৱর এক্ট এপ্রিল অমদগী হৌদুনা সেপ্তেম্বরগী ৩০ ফাওবা মখা তানা থা ৬ শাংদোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি ভারত রতনা মনা য়েন্থোক্লগনি। মনা ফংগদবশিং অসিদা হান্নগী উপ প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা এল.কে এদভানি য়াওরি।

**--সিগনেচর ট্যুন---**

**মীখল(এল)ঃ মনিপুরগী ১৮** শুবা লোক সভা মীখলগী ইন্নর অমসুং আউতর লোক সভা সিটকীদমক মীরেপচে লৌথোকপগী মতম ঙসি লোইরগনি। মীরেপচে লৌথোকপগী মতম ঙসি লোইবগা ইরোইননা ইন্নর অমসুং আউটরদা মীরেপ কয়ানা লম্বা থেংনগনি হায়বা খঙল্লগনি।

স্ক্রুতিনি পাঙথোখ্রবা মতুং ঙসি ফাওবদা ইন্নর সিটতা মীরেপ ৬ লৈহৌরি । মখোয়শিং অদুগী মনুংদা -বি.জে.পিগী থৌনাওজম বসন্ত কুমার সিংহ, ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী অঙোমচা বিমোল অকোয়জম, আর.পি আই.অথৱালেগী মহেশ্বর থৌনাওজম। এম.পি.পিগী আর.কে সোমেন্দ্রো (কাইকু),অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ত মীরেপ ২ মোইরাংথেম তোতোমসনা নোংশাবা অমসুং হাওরুংবম সারট য়াওরি। আউতর মনিপুরগী সিটতনা মীরেপ মরি -এন.পি.এফকী কে.তিমোথি জিমিক, ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসগী অলফ্রেদ কাঙম অথর অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ত মীরেপ অনি- এলিসন অবোনমাই অমদি এস.খোজোন লৈহৌরি। অদুবু চপ চানা কনা কনানা লম্বা থেংনগদৌরি হায়বদুদি ঙসি মীরেপচে লৌথোকপগী মতম লোইরবা মতুংদা খঙলগনি।

রাজ্য অসিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসি আউতর অমসুং ইন্নরদা তাঙ্কক অনি থোকা ভোট থাদনগনি। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা এপ্রিল ১৯ দা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি সিটকী মনুং চনবা বিধান সভা কেন্দ্র ৩২ অমসুং আউতর সিটকী মনুং চনবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৫ দা ভোট থাদনগনি।

আউতর সিটকী ওইনা কেন্দ্র ১৫ - থৌবাল জিলাগী হৈরোক, ৱাংজিং থেনথা অমসুং খাংঙাবোক, ককচিং জিলাগী ককচিং, ৱাবগাই, হিয়াংলম, শুগুনুনি, চান্দেল জিলাগী চান্দেল, কাংপোকপী জিলাগী কাংপোকপী, সাইতু অমসুং সাইকুল,চুরাচান্দপুর জিলাগী চুরাচান্দপুর , হেংলে, সাইকোট অমসুং সিংহাট কেন্দ্রশিং অসিদা ভোট থাদনগনি।

অদুগা অনিশুবা তাঙ্কক্তা আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি সিটকা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ - জিরিবাম, তেংনৌপল, ফুংয়ার,উখ্রুল, চীংঙাই, কারোং, মাও, তাদুবি, তামৈ, তমেংলোং, নুংবা, তিপাইমুক অমসুং থানলোন কেন্দ্রশিংদা ভোট থাদনগনি।

মরক অসিদা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা দলশিংগী ষ্টার কেম্পেইন্নরশিংগী মীং লাউথোকপা হৌরে। বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি , বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ত জে.পি নদ্দা , কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং, রাজনাথ সিংহ, অমিত সাহ,সরবানন্দ সোনোৱাল, ডা: আর.কে রঞ্জন সিংহ, অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিস্বা শর্ম্মনচিংবা য়াওরি।

কংগ্রেসকী ওইনা দলগী প্রসিদেন্ত মালিক অরজন্ খরগে, সোনিয়া গান্ধি, রাহুল গান্ধি, প্রিয়াঙ্কা গান্ধি ভদ্র, জয়রাম মামেস, সসিথারুর, সলমান খুরসিদনচিংবা য়াওরি।

হন্দক্কী লোক সভা মীখল অসিদা মণিপুরগী সিট অনিদা পুন্না ভোতর লাখ ২০ লিশিং ২৬,৬২৩ না ভোৎ থাদনগনি। মসিগী মনুংদা নুপী ভোতর লাখ ১০ লিশিং ৪৬,৭০৬ অমসুং থার্দ জেন্দর ২৩৯ য়াওরি। মীখল অসিগীদমক ইন্নর মণিপুরদা পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ১,৩১৯ অমসুং আউটর মণিপুরদা পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ১,৬৩৬ হাংগনি।

মরক অসিদা, লাক্লিবা লোক সভা মীখল নিয়ম চুমা অমসুং শান্তি ওইনা পাঙথোকবগীদমক কেম্পেইন কয়া মরুম চৎখরি। ককচিং জিলাদা স্বিপ আইকোনশিংনা মফম কয়াদা চৎতুনা শান্তি ওইনা ভোট থাদনবা কেম্পেইন চৎখরি। মসিগী মথক্তা জিলা অসিগী ওল্ড এজ হোমশিংদা স্বিপ আউটরিজ প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্লি। মীখলদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং ওফিসিয়েলশিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং মরী লৈনবা জিলাশিংদা পাঙথোকরি।

পুলিস(এল)ঃ মনিপুরগী মরুওইবা নেসনেল হায়ৱে অনি -নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে-টু য়াওনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা লেপ্পা লৈতনা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি।

পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়- থবক থৌরমশিং অদুগী মনুং চন্না অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে -টুদা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ২৩৪ অমসুং ২২১ ইম্ফাল তমা পুশিল্লকখ্রে। সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা পায়খৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না নেসনেল হায়ৱেশিং অসিগী পামদবা থবকশিং থোকপা য়াই হায়না চীংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি কনভোইশিং ঙাকশেন্দুনা গাড়িশিং অপনবা লৈতনা ফ্রি ওইনা চৎহন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎলি।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চীংগী অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংদা পুন্না নাকা চেকপোইন্ত ১২৯ হাংদোকখ্রে । লোয়ননা চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না মীওই ৩৬২ পুলিসনা দিতেন তৌখি।

**থৌবাল(এল)ঃ** লাক্লিবা এপ্রিল ১৯ অমসুং ২৬ তা তাঙ্কক অনিথোকা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলদা থৌবাল জিলাগী ওইনা মেদিকেল গাউন্দা ইলেক্সন দ্যুতি ককপিয়ু হায়না দিপ্যুতি কম্মীসনরদা চে থারিকখিবশিংগী মেদিকেল বোর্দ ঙরাং দি.সি থৌবাল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

চিফ মেদিকেল ওফিসর থৌবাল ডা: ৱাই নোকুলনা মেদিকেল বোর্দকী চিয়রমেন ওইদুনা চথখিবা মেদিকেল বোর্দ অদুদা স্পিসিয়েলিস্ত দোক্তরশিংনা এপ্লিকেসন থারকখিবা মীওইশিংগী হেলথ চেক অপ অমদি চে চাংশিং কুপা য়েংশিনখি।

**ওপরেসন(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী সঙাইকোটতা পেট্রোল্লিং চৎপদা মীওই অহুম খুৎলায়গা কোন্ননা চৎলম্বা থেংনখি। অসাম রাইফলসকী চেরোল অমনা হায়রি-মখোয় অদুগ মনুংদা অনি নাম্থোক্তুনা চেনখি অমা ফাবা ঙমখি। ফারবা মীওই অদু কুকি লিবরেসন আর্মি (কে.এল.এ)গী মীওইনি হায়রি। মীওই অদুদগী মেগজিন য়াওবা ৭.৬২ এস.এল.আর অমা , এ.কে-৫৬ রাইফল অমা অমসুং বুলেট প্রুব জেকেট অনি, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ২১৬ ফাগৎপা ঙল্লে। মহাক্কী মথক্তা কেস অমা লৌখৎলে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী চান্দেল জিলাগী রানাতোপ ময়াগী ব্রাই জঙ্কসন ময়াদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা গারি অনিদগী লুপা কোতি ৫ রোমগী মমল ওইগদবা ব্রাউন্দ সুগর কিলোগ্রাম অনি গ্রাম ৬০০ ,নাইন এম.এম পিস্তোল অমা, সিঙ্গল বেরেল ১২ বোর নোংমৈ অনি অমসুং নোংমৈ মরু কয়াসু ফাগৎপা ঙল্লে হায়রি । ফাগৎলবা পোৎলমশিং মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

অসামঃ অসাম সরকারনা রাজ্য অদুগী জিলা মরিদা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পাৱর এক্ট এপ্রিল অমদগী হৌদুনা মখা তানা থা ৬ শাংদোকখ্রে। রাজ্য অদুগী হোম অমসুং পোলিতিকেল দিপার্টমেন্তানা থোকপা চেরোল অমদা টিন্সুকিয়া ,দিব্রুঘর, চরাইদিও, সিপসাগর জিলাশিংদা অফসপাশিংগী মখাদা দিস্ত্রব এরিয়া লাউথোকখ্রে। জিলাশিং অসিদা অফসপা অসি চহি অসিগী সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবা শাংদোখ্রে।

**এৱাদঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি রাষ্ট্রপতি ভবনদা ভারত রতনা মনা য়েন্থোক্লগনি। হান্নগী প্রধান মন্ত্রি চৌধুরি চরন সিংহ অমসুং পি.ভি নরাসিংহ রাও, বিহারগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি করপুরি ঠাকুর অমসুং মশকাইরবা বৈগ্যানিক এম.এস স্বামিনাথনদা মশা লত্রবা তুংদা ভারত রটনা মনা পীরগনি। হান্নগী উপ প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা এল.কে এদভানিদসু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা মীচম মীয়ামদা পীবা ভারত রটনা মনা খুশিন্নরগনি।

**জয়শঙ্করঃ** মপাল থৌরম মন্ত্রি ডা: এস জয়শঙ্করগা য়ুক্রেনগী মহাক্কা ফম মান্নবা দেমিচোক কুলেবাগা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা হৌজিক ওইরিবা রুসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী ফীভমগী মতাংদা পাকশন্না খন্নখ্রে। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোস্ত অমদা ডা: জয়শঙ্করনা হায়- মহাকা মালেমগী অমসুং লৈবাক অসিগী ওইবা হিরম কয়াদা ৱারি শান্নখি। য়ুক্রেন অমসুং ভারত লৈবাক অনিগী হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবা অমসুং তেংবাংবিনবগী ৱাফম কয়াসু মীফম অদুদা খন্নখি। ডা: জয়শঙ্করনা হায়- য়ুক্রেনগী মপাল থৌরম ন্ত্রিনা লৈবাক অসিদা লাক্কুনা লৈবাক অদুগী ৱাফম কয়া ভাব তামিন্নবা তঞ্জা অমা পীরি। হৌখিবা থা খরা অসিদা লৈবাক অনিগী মতাংদা তৎতনা ৱাফম কয়া খন্নবা লৈখ্রবনি।

**বিহারঃ** বিহারদা লোক সভা সিট মরি- গায়া, নাৱারা, জম্মুই অমসুং ঔরঙ্গাবাটকী মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি ঙসি পাঙথোক্লগনি। লোক সভা সিট ৪ অসিগীদমক হৌজিক ফাওবদা মীরেপ ৭২ না মীরেপচে পীশিল্লকখ্রে। গায়া লোক সভা সিটতা মীরেপ ২২ না মীরেপচে পীশিল্লকখি, ঔরঙ্গাবাট মীরেপ ২২, নাৱারাদা মীরেপ ১৭ অমসুং জম্মুইদনা মীরেপ ১২ না মীরেপচে পীশিল্লকখি হায়রি । মথং থাগী অনিদা মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনি । মীখল মথং থাগী ১৯ দা পাঙথোক্কনি।

**অন্ধ্র প্রদেশঃ** অন্ধ্র প্রদেশতা টেলিগু দেসাম পার্টি (টি.দি.পি)না লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অমসুং বিধান সভা মীখলগীদমক মীরেপশিংগী ফাইনেল লিস্ত লাউথোকখ্রে। দল অসিনা বিধান সভা কেন্দ্র ৯ অমসুং লোক সভা সিট ৪ গীদমক মীরেপ লাউথোকখ্রে। টি.দি.পিনা লোক সভা সিট ১৭ অমসুং বিধান সভা সিট ১৪০ গী মীরেপশিংগী মীং লাউথোকপা লোইহখ্রে।

**সেনাঃ** ইনফোর্সমেন্ত দাইরেক্তোরেটনা সিপ সেনা ( য়ু.বি.টি)গী মকোক অমুল কিরতিকর শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈননা মথং থাগী ৮ দা মখোয়গী ওফিসতা লাকবা খঙহনখ্রে। কোবিদ নাইতিন লায়চৎ মনুংদা খিচরি য়েন্থোকপগা মরী লৈননা শেঞ্জা থুমজা তৌবগী মরালদা অমুল কিরতিকরবু ইনফোর্সমেন্ত দাইরেক্তোরেটনা কৌখিবনি। মুম্বাই নোর্থ ৱেষ্ট লোক সভা সিটতা মীরেপ ওইরিবা কিরতিকর অসি এজেন্সি অসিনা থা অসিগী ২৭ তসু ৱাহং পাউহং তৌনবা কৌখিবা লৈখ্রবনি।

**মেটঃ** মেট দিপার্টমেন্তনা হায়রি - অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা অখাক অরাও য়াওনা ঙসিদগী নোং চুগনি হায়রি । অরুনাচল প্রদেশ, অসাম অমসুং মেগালয়দা উন য়াওনা অকনবা নোং চুগনি। মেট দিপার্টমেন্তনা হায়- উরিয়শা ,নোংচুপ বেঙ্গোল ,ঝরখন অমসুং বিহারদা ময়াই ওইরপ নোংচুরবা য়াই. জম্মু কস্মীর, লাদাক, গিলগিৎ,মুজাফরবাট,হিমাচল প্রদেশ অমসুং উত্তরখনদসু অকনবা নোং চুরাবা য়াই ।

----**অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক**--

১) **মনিপুরগী ১৮** শুবা লোক সভা মীখলগী ইন্নর অমসুং আউতর লোক সভা সিটকীদমক মীরেপচে লৌথোকপগী মতম ঙসি লোইরগনি।

২) অসাম সরকারনা রাজ্য অদুগী জিলা মরিদা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পাৱর এক্ট এপ্রিল অমদগী হৌদুনা সেপ্তেম্বরগী ৩০ ফাওবা মখা তানা থা ৬ শাংদোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি ভারত রতনা মনা য়েন্থোক্লগনি। মনা ফংগদবশিং অসিদা হান্নগী উপ প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা এল.কে এদভানি য়াওরি।

--**পাউ লোইজরে**--